# ‘ময়াক য়াওদ্রবা নিংথৌ-!’

- এল ইবোমচা -

থায়না মমাঙৌদেগী হৌনা ঙাঙনরদুনা লাকই মদুদি হূই ঙাওরগা হূইবু থি, ষণ ঙাওরগনা ষণবু থি। অদু ওইরবদি কুকি ঙাওরবদি কনাবু থিবা তাই? হূই ঙাওরে, ষণ ঙাওরে হায়দুনসু কনানসু হেক্তা হাৎতোক্লদে, হূই ওইরগনা হূইগং থাংই, ষণ ঙাওরগনা নারেং হুৎতুনা ৱারক্নে। মসিদা মখোয় অনীমক্লা হন্দ্রবদি কনানো অমদা য়োম্থোকখিবা নৎত্রগা হাত্তোকখিবা নত্তনা পাম্বৈ অমা লৈতে। য়াম্না লুরিবদি কুকিশিং অসি হূইমক, ষণমক্তি নত্তবা তাইবঙ মীওইবনি। মদুসু মালেমগী মীয়াম্না খ্বাইদগী য়াম্না পাম্না থাজনা নীংনরিবা খৃষ্টিয়ান (যিশু খৃষ্ট) লাইনীং চেৎনা নীংলিবা কাঙলূপনি। মসিগুম্বা ধর্ম্ম চৎলিবা কুকিশিং অসি লম্বী লান্না চৎলে, তৌহৈদবা থবক কয়া’মা তৌরে, হিংশাগী থবক কয়া’মা তৌরুরে হায়বা মখোয় মশানা হৌজিক ফাওবদা খঙজদ্রি। মখোয়বু মখোয়গী মীওই তরাখক্লা মঙকশমদা থৌরী থুরগা খুনবুং থিল্লগা তা-চুঙ্গাই অমমম পায়হল্লগা মীয়ামগী মাঙদা তা-খৌশাহল্লি। তুংদা চোংউ চোংহল্লি, খাদা চোংউ চোংহল্লি, ৱাংদা চোংউ চোংহন্দুনা জগোয়সু নত্তবদা জগোয় মান্নবা শাহল্লি। উরুবদা নুংঙাইতবা ফাওরিবদি মচীঞ্জাক পীজনি খঙদে, লাইরিক-লাইশু তমহনগনি খঙদে, অফবা-ফজবা ফিরোল থোনবীগনি খঙদে। অতৈ খঙদে এস পি টেব্লেট এন টেন টেব্লেট, হিরোইন নম্বর ফোর অমসুং য়ু ফাওবদি মরাং কাইনা ফংহনবগী পাউ লৈ। মখোয়গী মীওই তরা অসি ওন্থোক্লসু হৈ-শিংই হায়বা য়াই। মরমদি য়ামখ্রবা লমহেন-তুহেনবা কুকি ময়াম অমা মখূৎতা শাজৈ অমত্তা পায়দনা মখোয়না চোংহন্নীংবা মায়কৈদা চোংহনবা ঙম্মী। নত্তে ঐনা হায়বদি ফরবসু ফৎত্রবসু কুকিশিং অসি থৱায় পানবা তাইবঙ চীঞ্জাক চাবা মীনি। অদুবু মখোয়না অসুক য়াম্না পঙলিবসিবু করিগীনো হায়বনি।

উ অকংবা শীং ওইনৈ, মী অপঙবা লাল্লোইনৈ হায়রিবা অসিবু মখোয় নীংশিংদব্রা হায়বনি। মখোয় অসিতবু শীংনবা হায়না মীতৈ ওজাশিংনা তাকপী-তম্বীদুনা ফনা কন্না হোৎনখিবনি। অদুবু পাম্বৈ লৈতে মকোকশিংদা ষষ্থি হানবা ঙাক্তা ওইবনা তাকখিবা পাড়া ঙাইহাক লৈরগা কাউখিবা ওইরমগনি। ঐনা খনবদা পুন্নমকশিংসি মখোয়গী মশাদা অফবা ৱাখল খনবা হৈতবা মীগী মরল-মথুমদা অমসুং লম-তুশিং কল্লকপরোমদা ওইনা হেন্না পূক্লিং চংনখিবননি হায়নীংই।

চাউয়েং ওইনা অসুম য়েংবদসু কুকিশিং অসি মখোয়গী ফূরুপ খক্তগী ওইনা খনগল্লি, মী কয়া থাজগন্দে, মীঙোন্দা পীজনীংদে, ফত্তবা থবক তৌবসিনা মখোয়গী হৈনবীনি। খন্দুনা য়েংবা য়াই মদুদি ইম্ফাল মনুংদা অমসুং মসিগী অকোয়বদা কুকি ময়াম অমা মনীং মখা তম্না কয়াদা নুংঙাইনা লৈজরম্মী। ইম্ফালগী লাঙ্গোলদা, চেক্বোন্দা, খুমন লম্পাক্তা, মন্ত্রিপূখ্রিদা, সনা কৈথেলদা, লমলোংদা, কবো লৈকায়দা, সঙাইপ্রৌদা, হৈঙাংদা অমসুং নিংথেমকোননচিংবা মফমশিংদা কয়াদা নুংঙাইনা হিংজরম্মী। অদুবু মখোয়গী কা হেনবা লিচৎ শাজত্তগী করিগুম্বা ফত্তবা থৌদোক ৱাথোক খরদি থোক্লরগনি হায়বা মশা-মশানা চিংনজবদগী মশানা খঙনা মশা-মশাগী হান্নগী মহনফম মফমশিংদা ঙম্না চেন্নখি। লম্বী থোংদা ফখ্রবা, হৱা-নুংশিত্তা হায়রবসু নুংঙাইখ্রবা ইম্ফালগী মফমশিং অসিদা মখোয় অমুক হন্না লাক্তুনা লৈরবা ঙমগনি হায়বা কয়া থাজদ্রে। মরমদি মরালনা মপোৎ ঙম্না ফানখ্রে। মপূ মশক খঙদবা তাকপীবা তম্বীরিবা ওজা-গুরুদা হৌন-লোনচৎ খঙদ্রবদি গুরুগী শাপ ফংবা তাবনি। গুরুগী শাপ ফংলবা মীনা ৱাইওং কয়াবু চানি, শিফম নাফম চাদনা শিবা মশানা তারবনি।

হায়সু হায়বনি, কুকি হায়বা ফূরুপ অসি ফত্তবদা অয়ৌবী থাক্কী চাং য়ৌনা ফত্তবা জাৎনি। মণিপুরদা কাঙলূপ ফূরুপ খায়দনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা য়াবনি। অদুবু ঙসিদি মখোয়না মরম ওইরগা ফূরুপ অমগা ফূরুপ অমগা নুংশিনদ্রে, থাজনদ্রে। মখোয়শিং অসি মণিপুরদদি ফোরেন্নরনি, য়েলহৌমী নত্তে হায়বা খঙনা-খঙনা মখোয়বু কনা অমত্তনা তাথী-তাওইনা তৌবা নত্তে, কনা অমত্তনসু মখোয়বু মণিপুরদগী চৎখিনবা তানবসু লৈতে। মখোয়তনা মবুক ফত্তবগী হৌনবা লৈমিন্নরিবা ফূরুপশিং অমগা অমগা নুংশিনদনবা ককশাবী শাদুনা লৈ। মরম অসিনা মণিপুরদা মখোয়গা খৎনদনা নুংশিনা লৈমিন্নবা ফূরুপ অমত্তা লৈত্রে হায়বা য়ারে। ফূরুপ খুদিংমক মথং-মনাও নাইনা খৎনবা য়াবা খৎনরুরবা তুংদা ঙসিনা অমুক মখোয়বু শৈদাংফম মফম পীবীরিবা, মহৈ-মশীন তাকপী-তম্বীবা মীতৈশিংদা অমুক ওনশিল্লগা লান তাশিল্লক্লিবা অসিনি। লান অসিমক মখল অমগী লান্দানি। হায়বদি মখোয়না নম্না খুন্দাবা চুড়াচান্দপুর, তেংনৌপল, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদা চোইনা-চোইনা খুন্দারিবা মীতৈশিংদা চিনহায় ওইনা অহানবমক্তদা ফাগিগী মওংদা নখোয়না চীংগী লমদমদা খুন্দারিবসিগী মহুত্তা তম্পাক্তা ওইনা পূন্না খুন্দারুবনা ফৎত্রা হংই। অদুগা মীতৈশিংনা য়ূম অহনবা অমত্তং শাবা উবা য়ারোই, নখোয়না অদুক ৱানা শারিবা য়ূম অদু কয়াম কুইনা লৈবা ফংগদগে হায়বনচিংবা ৱাহৈশিংসি ঙসিদগীনা চহী ১৫/২০গী মমাঙ-মমাঙদগী হায়দুনা লাকখ্রবনি। অদুবু ৱাফম অসি মীতৈশিংনা অদুক হাক্লা খন্থবা তৌদনা হকচিন্না লৌরুদে। অদুবু হায়বগা তৌবগা খঙহৌদনা মে ৩, ২০২৩, য়ূমশাকৈশা নুমিৎতা অটসুমনা শিনবা ত্রাইবেল সোলিদরিটি মার্চ রেল্লি অমা অতৈ ত্রাইবেলশিং য়াওদনা কুকি ঙাক্তা মহুৎ শিনবা রেল্লি অমা চৎশিন্নরগা চহী কুনগী মমাঙদগী শিল্লক্লবা খুজিল থৌরাংদা মীতৈশিংদা অতম্ননা ওনশিল্লগা লান্দারকপনি। লান্দাবা য়াওরিবশিং অয়াম্বদি চহী য়াম্না নৌরিবা, ৱাখল মপূং ফাদ্রিবা মীওই ঙাক্তা ওইনা তৌই। হায়বদি চহী ১৮ শুদ্রিবা লাইরিক-লাইশু তমদুনা লৈগদবা অঙাংশিং ঙাক্তনি।

মপা-মমাশিংনা তুংগী য়ূম্বী ওইহৌনবা লাইরিক-লাইশু নীংথিনা তমহনবগী মহুত্তা নোংমৈ কাপ্পা অমসুং পায়বা তম্বীবনি। অদুনদি হৌজিকসিদা অসি য়ৌনা লাক্লা ফানবা ঙমদ্রবা অসিনদি হয়েং মখোয়না মপূং মরৈ চপ চানা ফারক্তুনা ময়ূম-মকৈ পাল্লগা পোক্লকপা মচা-মশুশিং অদুদি করিবু ওইবা তাই, মখোয়দগী শরুক অনী অহুমদগী হেন্না শাথীবা তাবনি। মরম অসিনা মীতৈশিংনা হৌজিক মথা কন্না শারিবসি অতৈ অমগী নত্তে, ঐখোয়গী ইতুংদা লৈহৌগদবা ইচা-ইশুশিং অসিগীনি। হায়বদি ফত্তবদা লম্বা লৈত্রবা ঙসিগী কুকিশিং অসিগী মচা-মশুশিংদুগা ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিংগা মতৌ করম্না পূন্না লৈমিন্নহৌগনি হায়বসিদনি। খন্নবা য়াই মদুদি কুকিশিংসি মালেমগী মীয়াম্না মচিন য়াম্না থীবা, ওইদবা ঙাঙবা, ফত্তবা থবক তৌবদা, অরানবা পুৱারী ইবদা হৈথোই শিংথোইবগী অমসুং জঙ্গল কোকথোক্লগা পোপি থাবগীদমক নার্কো কুকি মিলিটেন্ট হায়না মিংথোল্লিবা অসিবু মখোয় মশা-মশা খঙদব্রা অমসুং মনাশিং অদু তাদব্রা হায়বসিনি। অতোপ্পা অমনা মখোয়না শুকথোক হেক থোকখিদবা এঙলো কুকি ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্স অমা শেল্লগা থম্বা ঙম্মী। অসুম্না ওইদ-পাদবা থবক কয়া মখোয়না লৈরু-লৈরুরিবা মফমশিংদা তৌরুবনা মরম ওইরগা ম্যান্মার অমদি বাংলাদেশতগী মথং-মথং ঙকশম পায়দুনা ইনবদসু চৎলু য়াদনা খাঙখিবা মীওইশিংদুনি। মমৈদদি কান্নররোই হায়দুনা নোংমৈনা কাপ্তুনা তাল্লকপদগী মণিপুরদা শৈদাংফম মফম লৌরখিবনি। অদুগা হৌজিক্লা মণিপুর অসি মখোয়গী মপা-মপুশিংনা মখোয়গীদমক্তা থম্বীরম্বা (এন্সেসত্রেল লেন্দ) লমনি হায়দুনা ক্লেম তৌরকপনি। ইনৌ নৌবা ওইনা অমুক কুকিশিংনা খরা নম্না তাবা চুড়াচান্দপুর, তেংনৌপল, চান্দেল, কাংপোকপী অমসুং ফেরজোল দিষ্ট্রিক্ট মঙা অসিগী য়ুনিয়ন টেরিটরি নৎত্রগা ষ্টেট অমা পীয়ু হায়না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা য়াম্না কন্না দিমান্দ তৌরক্লি। দিমান্দ অসি তানবদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা তাবীগনি-তাবীরোই খঙদ্রিঙৈগী চৈরকসিদা চুড়াচান্দপুরদা হেদ ক্বার্টরস ওইরগা দিষ্ট্রিক্ট মঙা অসিগী তোঙানবা দি জি পি, তোঙানবা চীফ সেক্রেটরি অমমম থমগদবনি হায়না হৈরাংলিঙৈ য়ুরাংবগী থবক মখা অমমুক চথুরকই।

মতৌ অসুম্না ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী থোক্ল-থোক্লবা থবক কয়ামা চথুদুনা লৈরিবা অসিনা তাকপদি মখোয় অসি ঙাঙন-শক্লবদা শাথীনা ৱাবা ফূরুপ অমনি তাকচৈ অমদি মণিপুর মচেৎ তারবদি ইন্দিয়া কায়গনি মখোয় খঙজদে। কাশ্মীর মচেৎ তাখিবা অদুগুম্না মণিপুরদি মচেৎ তাহনবা য়ারোই হায়বসি মখোয়না খঙজদে। অদুগা কাশ্মীর ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এক্সেসনগী মতুংইন্না ইন্দিয়াদা পুল্লকপনি, মর্জর এগ্রীমেন্টনা পুল্লকপা নত্তে হায়বসি মখোয় খঙজদে। কুকিশিংনা নহান মখৈ খঙলুদ্রবসু ঙসিগী নুমিৎ অসিদগী খঙলো হায়না হায়নীংলকই মদুদি- মণিপুর ইন্দিয়ানা নল্লৌ লৌশিনখিবনি। মণিপুর মশানা য়ানীংদনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা মর্জর এগ্রীমেন্ট তৌনরগা তিনবনি। মদুসু মণিপুরগী ‘ময়াক য়াওদ্রবা নিংথৌ-!’ গী খূৎয়েক লৌরগনি। ●

# ইংলিসপু ঙাঙলবদি হৈরে হেক্তা হায়রসিরা?

মতম মতমগী

গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা

ঙসিদগী চাউরাক্লা চহী ৩০ মুক্কী মমাঙদা থেংনখিবা থৌদোক অমা নীংশিংলকই। ওফিস বিল্ডিং অমা শঙ্গাবগী থৌরমনি, মন্ত্রি অহুম/মরি য়াওবা থৌরমনি। মতম অদুদদি মণিপুর লৈঙাক্কী অকক্নবা মন্ত্রিগী মশীংসু লৈরমদে, রুল্লিং পার্টিগী এম এল এ অয়াম্বা মন্ত্রি ওইবা য়াই। এম এল এ ৬০ খক লৈবা মণিপুর বিধান সভাদা মন্ত্রি ৩০/৪০ লৈবা ফাওবা থেংনখ্রে। থৌরম অদুদা মন্ত্রি মশীং য়াম্না য়াওখিবদু মন্ত্রি য়াম্না লৈবনা ওইরম্বসু য়াই। দিপার্টমেন্ট অদুগী মরী লৈনবা সেক্রেটরি অমসুং হেদ ওফ দিপার্টমেন্টনা শিনবা থৌরমনি। সেক্রেটরি অদু ত্রাইবেলনি মীতৈলোল কয়া ঙাঙনীংদবগুম তৌই, খঙদবদি নত্তে, মহাক মণিপুরদা পোকপা মণিপুরদা চাউরকপা মীওইনি। হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট অদুনা মীতৈনি, মখোয় মশেল ৱারী শানবদা মীতৈলোল ঙাঙনদে, ইংলিস ঙাঙনৈ।

থৌরম অদুগী ৱেলকম এদ্রেস অমসুং কি নোট এদ্রেস মখোয় অনীনা পী। য়াম্না শাংনা ঙাঙদে, তেন্তক-তেন্তক থম্মী। তৌবতবু মখোয় অনীমক মীতৈলোল ঙাঙদে, ইংলিস ওইনা ঙাঙই। থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইরিবা মন্ত্রি অদুদি ঙাঙলিবশিং অদু তানীংদবগুম তৌই, ফম্বা ফাওবা নিংথিনা ফমদে, য়াম্না হৈনীংদবগুম তৌই। মহাক্লা ফম্মিন্নরিবা ভি আই পিশিং অদুদা ওনশিন-ওনশিন্দুনা করিগুম্বা খরা য়াম্না তোয়না হায়বগুম তৌই। প্রোগ্রামগী মতুংইন্না চথুরকপনা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীনবগী মতাং য়ৌরক্তুনা কন্দক্ট তৌরিবী নুপীমচা অদুনা চীফ গেষ্ট ওইরিবা মন্ত্রিদুবু কৌশিল্লকই। মন্ত্রিদুনা মাইক্রোফোন মনাক্তা চঙশিনবগা খোল খরা পৌরপ্পা মফম অসিদা তিল্লিবা মীওইশিং অসিবু মীতৈলোল খঙদবা কনা-কনা য়াওরিবগে হায়না ইহান হান্না হংলকই। ফঙ্কসন্দা ৱা ঙাঙবগী মমাঙৈদেগী চৎনরক্লিবা চৎনবী পুন্নমক তোকথোক্লগা ৱাহং ওইনা হংলকপদুদা মফম অদুদা তিল্লম্লিবা মীওই পুন্নমক চেক-মোক লাউদে, তূমিন-তূমিন লৈ। মন্ত্রিদুনা মখা তারকই ‘করিগীনো ইংলিস ঙাঙগদৌরিবসিবু?’’ ইংলিস হৈবা তান্নসি হায়বরা? ঐসু এম এ ইংলিসনিনে, ইংলিস ঙাঙবা তান্নসি হায়বসু য়াইনে হায়রগা ৱাহৈগী মতোন্দা সি-শা য়াম্না তাবা ইংলিস জর-জর ঙাঙথরকই। মফম অদুদা তিল্লম্বা মীয়ামদু চেক-মোক লাউদে, তূমিন-তূমিন লৈ। নুমিৎতুমদি মন্ত্রিদু মীতৈলোল ঙাঙখিদ্রে, ইংলিসনা অদুম লোইশিনখ্রে। ফঙ্কসনদুসু মফম মরাং খঙদনা অদুম লোইশিনখ্রে।

ফঙ্কসন লোইদুনা থোরকপদা ইমান্নবা অমনা ‘মন্ত্রিসি ওন্থোক্লা মীরোল থুংখিদ্রেদা’ হায়রকপদা ঐনা খুমখি ‘মীরোল থুংদবা নত্তে, অচুম্বা অশেংবদু দোং-দোং হায়দোকপা ঙম্বনি, করিগীনো মখোয়না ইংলিস ঙাঙগদৌরিবসিবো? মখোয়বু মীতৈলোল খঙদবরা নৎত্রগা ঙসি তিল্লিবা মীওইশিংদো মীতৈলোল খঙদবা য়াওবরা? ৱা ঙাঙবা তারবদি তাগদৌরিবা মীওইশিং অদু খঙবা ঙমগদবা লোল অমদা ঙাঙবনা খ্বাইদগী ফবনি। ৱা ঙাঙলিবশিং অদুনা মখোয়না খঙলিবশিং অদু ইংলিসতা মমুৎ তানা কাচিন কোয়া য়ৌনা ফোঙদোকপা ঙল্লবসু তারিবশিং অদুগী মনুংদগী মীওই কয়ানা মমুৎ তানা খঙবা ঙল্লমগনি। তারিবশিং অদুনা খঙদ্রবদি ঙাঙলুবগী করি কান্নে।

নোংমসু সর্ভিসতা লৈরিঙৈদা সেনাপতিদা লমদম অদোমগী ত্রাইবেল মন্ত্রি অমা য়াওবা ফঙ্কসন অমা য়াওখি। লমদম অদুগী লোকল লিদরশিং, ভিলেজ সেক্রেটরিনচিংবা সোসল ৱার্করশিং অয়াম্বনা শম্নবোই-শম্নদবোই ইংলিসতা ঙাঙই। মন্ত্রিদুগী ঙাঙনবগী মতম য়ৌরকপদা থোরক্লগা মাইক্রোফোনদা হংলকই “করি লোলদা ঙাঙসিগে?” ইংলিসতা ঙাঙলবসু অয়াম্বনা খঙলোই, ইমালোল ওইরিবা পাউমৈ ঙাঙলবসু মাওগা পাউমৈগা নত্তনা হোল অসিদা তিল্লিবা মরাম, তাঙ্খুল, কবুই অমদি মীতৈ ইচিল-ইনাওশিং অমত্তা খঙলোই অদুনা ঐখোয় পুন্নমক্কী ফাওনলোল ওইরিবা মণিপুরীদা ওইনা ঙাঙলগে হায়দুনা মণিপুরী ঙাঙখি। ইংলিস ঙাঙবা পামজখ্রবা ত্রাইবেলনা তিল্লিবা ময়ামদুগী খল্লগা মণিপুরী ঙাঙলকপদা মপান থোক্লা থাগৎনবগী খুদোংচাবদুমক ফংদ্রবসু মহাক্কী অচুম্বা ৱারেপ্তুগীদমক থম্মোয়দা হন্না-হন্না থাগৎখি।

লোল হায়বসি পাউ ফাওননবনি, মী মীদুগী খঙবা অমদি হৈ-শিংবদু উৎনবা ওইনা লৌবদি অচুম্বা ওইরোই। ঐনা ঙাঙলিবা অদু তারিবা মীওইশিং অদুনা খঙদ্রবদি ঙাঙলুবগী করি কান্নগনি? ফঙ্কসনখক্তা নত্তনা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না তানরিবা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালদা শন্দোক্লিবা প্রোগ্রামশিং অসিসু মীয়াম্না য়াম্না লায়না খঙগদবা মওংদা শন্দোক্তুনা তাহনবগী মথৌ তারি। ঙসিদি এ আই আর ইম্ফালগী প্রোগ্রামশিং অসিসু অনৌ-অনৌবা ঙসিগী খুন্নাইদা কান্নবা পীগদবা থৌরম কয়া-কয়া হাপচিন্দুনা শন্দোকপনা মীয়াম্না পাম্নবগী চাংসু য়াম্না হেনগৎলক্লি। ইরাই খুদিংগী অয়ূক পুং ৭তা শন্দোক্লিবা হলো হকশেল, ফোন ইন প্রোগ্রাম অসিসু লিসনরশিংনা খঙনীংবা কয়া ফোন তৌরগা খঙবা য়াবনা য়াম্না কান্নবা প্রোগ্রাম অমা ওইবগা লোয়ননা মীয়াম্না পাম্নবা প্রোগ্রাম অমা ওইরি।

অদুবু হায়জনীংবা অমনা থৌরম অদুদা শরুক য়ারিবা এক্সপর্টশিং অদুনা রেদিও তারিবা মীপূম খুদিংমক অসি লাইরিক-লাইশু হৈরবা, খঙ হৈরবা ঙাক্তনি হায়না লৌরোইদবনি। থৌরম অদুদা শরুক য়ারিবা এক্সপর্টশিং লোইনমক নৎত্রবসু খরদি অরু-অরুবা ইংলিসকী ৱাহৈশিং শীজিন্নদুনা ঙাঙবা নৎত্রগা মীতৈলোলদা ঙাঙলবসু য়াম্না লায়না মীপূম খুদিংমক্লা খঙগদবা মওংদা ঙাঙবগী মহুত্তা মকোক মমৈ লোৎলগা নাকোইননা ঙাঙবসু য়াওদবা নত্তে। অসিগুম্বা মতাংদা রেদিও তারিবশিং অসি লোইনমক লাইরিক-লাইশু মপূং ফানা হৈরবা মীওই ঙাক্তা নত্তবনা ঙাঙলিবশিং অদুগী ৱাহন্থোক খঙদবসু য়াওরম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মখোয়না ঙাঙলিবশিং অদুগী ৱাহন্থোক তারিবশিংনা খঙদ্রবদি তারুবগী কান্নবা লৈখিগদ্রা? অদুনা এক্সপর্টশিং অমসুং এ আই আরগী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিং অসি থোক্তনবা হোৎনবগী মথৌ তারি।

লমদম অসিদগী হৌখিবা মণিপুরগী মপান্দা নৎত্রগা ইন্দিয়াগী মপান্দা থবক তৌদুনা, খুন্দা লৈতাদুনা লৈখ্রবা তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াদা মায় পাক্লবা মীওই কয়া উনদুনা ৱারী শাবগী থৌরম কয়া অমসু মরক-মরক্তা শন্দোক্তুনা তাহনবীবদা হায়নীংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফাওই। মখোয়না মপান্দা মতৌ করম্না চৎখিবা, মখোয় মখোয়না লৈরুরিবা মফমশিং অদুগী পূন্সি মরেল অমদি চৎনবীনচিংবা কয়া মখোয়দগী খঙবদা নুংঙাই। অদুবু মীতৈলোলদা লৌবা ইন্টরভিয়ু অদুদা লোইনমক নৎত্রবসু মীওই খরদি ইংলিস শাংনা শাংনা ঙাঙবা অমদি মীতৈলোল ঙাঙলবসু হৈনদবগী মওংদা মরৈ কোল্ল-কোল্লগা ঙাঙবা, ৱাহৈগী মমৈদা সি সা য়াম্না তাবা অমদি য়াম্না তোয়না য়া-য়া হায়বনচিংবা কয়া য়াওরকপনা তারিবা মীওই কয়াদদি হৈনদবা ফাওদবসু নত্তে। পুঙ্খায় অমগী প্রোগ্রামদা মিনট ২০ মুক ইংলিস ঙাঙলবদি থৌরম অদু মীতৈলোলগীরা নৎত্রগা ইংলিসকীরা হায়বা ৱাহং অমসু লাকপা য়াই। শক্লাইরবা মীওইশিংগা উনবগী থৌরমদা লিসনরশিংনা তানীংলিবা অসিসু গেষ্ট ওইরিবা মীওইশিং অদুনা ঙাঙবদুনি, গেষ্ট অদুনা ঙাঙলিঙৈদা ইন্টরভিয়ু লৌরিবা মীওইদুনা য়াম্না তোয়না মরক থৎতুনা শাংনা-শাংনা ঙাঙবনা প্রোগ্রাম অদুগী মগুণ হন্থহনবগা লোয়ননা তাবদা নুংঙাইহন্দে। এ আই আর ইম্ফালগী নুমিৎ খুদিংগী শন্দোক্লিবা প্রোগ্রামশিংগী মনুংদা য়াম্না পাম্না তানরিবা মণিপুরী পাউদসু পারিবশিংগী মনুংদগী লোইমক নৎত্রবসু খরদি থুমনবনা ৱাহৈশিং শম্নখিদনা তাবা নুংঙাইতবা অমদি তোয়না লানবনচিংবা কয়া য়াওরি। এনাউন্সরশিং মরক্তসু নোংমগী লান্দবা য়াদবগুম য়াম্না তোয়না শোয়বা য়াওরি, শোয়নীংবা-লান্নীংববুদি কনাসু য়াওরম্লোই অদুবু চেকশিনবা অমগী মথৌ তারি। মালেম শিনবা থুংনা মমিং চৎলিবা রেদিও শিলোনগী এনাউন্সর ওইবীরম্বা অমিন সায়ানি, ভিভিদ ভারটিগী কমল শর্ম্মা, রাজেন্দ্র ট্রিপাথি, য়ুনুস খান , নুপীলক্তগীসু রেনু বনসল, মমতা সিংহ অমসুং নিলম য়াধবনচিংবা এনাউন্সর কয়ানা ভোকেল ফজবগা লোয়ননা থুনা খপ্তুনা ঙাঙলবসু ৱাহৈ শমজিন্নহন্দবা, লালহন্দবা অমদি তাবদা নুংঙাইবগী মহাউ অমা পীরিবা অদুসু তমশিনবা মথৌ তারি। ৱারীসি লমফৈ অমরোমদা চৎখিদৌরে লাকচনীংলিবদি মণিপুরী প্রোগ্রাম হায়রিবনিনা ঐখোয়গী লোন্দা লৈবা ৱাহৈশিংদি পুন্নমক্লা খঙনবা ইংলিসনা মহুৎ শিনজিনলোইসি হায়জনীংই। লোয়ননা ইংলিস ঙাঙলগা হৈবা মাল্লগনি হায়বা ৱাখল থাদোকসি। ●

# কুম লায়নানা নারিবদুনা খনখি

- সৌবাম বিরধজ -

হকচাং পোলাংদু লৈরি তাদুনা
উচিগী মচীঞ্জাক চাফম ওইরদুনা
হকচাং থোংগী জগাশিংদা চীক্লদুনা।
চংশিন-চংশিল্লগা অসুম চিক্লি
খল্ল-খল্লদুনা তোঙানবা মহাউনি
হাওখ্রবা মীগী হকচাংগী তোংশানি।
মরৈ মচাদু লেক্লা লেক্লগা চংখ্রে
মীখোন তাবদগী মকোন্দা লোৎখ্রে
অমুক থোরকপা ঙমদনা লৈখ্রে।

ঐনা নীংশিংলি, ঐগী ইনাক্তদা লৈরগা পেঞ্জখিবা, ওইনখিবা, নোকমিন্নবা, ইচাশিং চাউননবা শেন্মীন্নদুনা লোয়নমক মীরক তিল্লদুনা ময়ূম-মকৈ পাল্লে। ইশুশিংনা পুপু-পুপু কৌরদুনা ঐনা কর্ম্মা চৎলুরগা পুরকপা পোৎ ময়োমদু চাগদৌবগী ঙাইনরি। অচোই-অপাশিংদু হরাওনা চামিন্নখিবা, পুন্নমক তপ্পা-তপ্পা ‘তন্দন’ না ঙাইহাক ঙাল্লম্বগুম মমি শামখ্রে, ইনাক্তা কনাসু চঙলক্ত্রেনে। মখোয় লোইনমক ঐগী থৌগলদা ৱারবজাৎনি।

মসিমসু নীংশিংলি : ঐনা ওফিসর ওইরিঙৈ, ঐগী খূৎয়েক অমত্তং তৌবীনবা পুরকপা মখল-মখাগী পোৎলমশিং, ঐনা পুরক্নু হায়রুরবসু সাহেবপু নুংশিজদুনা পুজরকপা য়ূমদা পানবা হৈ-রা, মাইরেন-খোংদ্রুম, য়োংচাক, পূখ্রিদা য়োকপা ঙা খরদং পুজরকপনি। ওফিসতৈ হল্লকপগা য়ূম হেক য়ৌরকপদা মমা অমসুং ইচাশিংনা হৌ-হৌ ঐনা থক্নবা চা, কোফি, হৈ মহী, অথুম-অহাও মখলশিং নোক্লা-নোক্লা চামিন্নখিবা ইচাশিংনা মখোয়-মখোয়গী দরকার লৈবশিং লৈননবা ঐগী পর্সতগী মনীং তম্না লৌনখিবা। য়ূমগী শীজিন্ননবা থল্লিবা গাড়ী মচা/অচৌবা মখলশিং নোক্লা-খেনা শীজিন্নবা। হৌজিক্তি মখোয় লোইনমক তোঙাল্লবনিনা ইচা অতোনবনা ঐগা মমাগা কোল্লি, ইমৌসু ফৈ, ঈং-তপ্পী, মখোয়নিমক মাগী-মাগী ওফিস কানৈ। ইশুশিংনা নাক্তা লৈহৌরি, ৱারী লীবিয়ু অবোক/পুপু ঐখোয়গী হকচাং পায়বিরক্কে হায়না-হায়না ৱারী লীবদা ইশুশিংনা কয়াদা মপূক্লিং পেন্না নোকখিবা। নীংশিংদুনা লেঞ্জবসি নত্তনা মখোয়বুদি ৱারৌফম থোকপরা? থোক্তবরা?

নম্বুল তুরেলগী নাওরেমথোং (ফাইবোক থোং) ঈচেলদগী খজিক্তং হাইগৎলক্লগা অচোম লৈকায় তুরেল হিদেনগী হেক নাকন্দা অচৌবা হৈবোং পাম্বী অমগা টুমিল্লা পাম্বী অমগা খমত্রাংননা হৌমিন্নরমখি। উজাউ অনীদুনা তুরেলগী লৈরাই ফাজিল্লদুনা মফমদু ঈপাক পাক্লি, মফমদুদা লৈকায়গী পোৎলোইফম ওইনরিবনি। ঐখোয় ময়াম্না হৈবোং হেক্তুনা চানরিবনি, হৈবোং পাম্বীদু কাখৎপদা খুদোংচানবা গাড়ীগী ‘ভল্ব’ অশাংবা অমা য়ৈশিল্লিবদুনা কাথোক-কাশিন্দা খুদোং য়াম্না চাই। কাখৎলকপদা ভাল্বতুদা য়াল্লগা ইশাসি চিংখৎতুনা য়াম্না লায়না কাখৎলগা মদুদা অমুক খোঙনা নেৎতুনা মথং-মথং লামদুনা কানরিবনি। থৌওইনা য়ুংলিবা (ভাল্ব অদুনা) হৈবোংদু কাখৎপা/কুমথবদা য়াম্না খুদোং চারিবনি। তুরেল ঈশিং চাওরকপা মতমদা তুরেল্লোমদা পৈথনা হৌরিবা টুমিল্লা পাম্বী অদুদা কাখৎলগা কোক্লা য়ুংলগা তুরেলগী ঈরোলনুংদা চোংথদুনা শান্নবদি খুনুংঙাই অমনি। অসুম্না নীংশিং নীংশিংনা খল্লুরি পাখঙ মচা ফারকপৈ মতমদদি খোঙ-খূৎসিনা ঙমদবা অমত্তা লৈরমদে। অঙাং ওইরিঙৈ য়াম্না মঙাও থিরিঙৈ মতমদুদা য়াওশঙ মতম ওইরক্লবদা ঐখোয় ময়াম পুল্লপ-পুল্লদুনা কোবি শাক ঙৌরদুনা সাপম অমসুং তখেল্লম্বম লোন্নবা (হাবুং অমগী মনুংদা) মপাদা য়াম্না তোয়না চানরম্মী। য়াওশং মতমদা মৈজাও থাদুনা থোংদুনা চামিন্নখি। অঙাং ওইরিঙৈ মতম নীংশিংলগা নোক্লিংবা, নুংঙাইবা কোঙ্গাইনি। মতমদুদা ইনে কুঞ্জেগী দুকান্দে পৈশা তরাগী মঙ্গল কৌতা অমনি, পৈশা মঙাগীনা কৌতা অদুগী চৈখেৎপী অমদগী খরা তাথনা পীরকই। চেগী শারৈদা কোল্লগা তম্লকপনি। হাফপেন খোঙ্গ্রাওগী খাওদা হৈজিল্লগা নোকমি নোকমি চারিবনি। নুমিদাংৱাইরমদা ঐখোয় পাবখোয় অহল-লমনশিং ময়াম ইনে কুঞ্জেগী দুকান মমাংদা ফল্লিবনি নুংত্তিগী।

হাকুমদগী কুমসিগী নীংথমথাসিনা ঈংবা য়াম্না হেল্লে। নীংথমথানা ঈংবা হেনজিল্লকপগী নত্তে, ঐগী হকচাংনা অঈংববু ঙাকথোকপা ঙল্লক্তবা শোয়দনা ওইগনি। ৱাটর বেগ অনীসিনা য়ারক্ত্রে, মৈতালসিসু শহী মৈতাল নত্তমাল্লে য়াম্না খাঙদে, কুইনা চত্তে। খরদি চারিবনিনা ঙাইহাক লৈরগদি হামদোক্তবা য়াররোইদো, কাসিদা লৈরিবা লেত্রিনসিফাও ইথন্তা চৎপা ঙমদ্রে, শম্বীনবা মী লৈত্রবদি অৱাবা কয়া থেংনখ্রে। অদুনা মখোয় পুন্নমক্লা ঐবু খজিক-খজিক্তং পীজৈ। তাখিবা মফমদগী করিম লেংদ্রে, কনানসু ঐবু য়েংলদ্রে, অশিবগুল্লে। ফমুংগা তাইনরিবা নঙ্গন, নিংজোন, খুনিং, খুবোম, লুখম পুন্নমক কুরোন হুরবনি, মিৎ উইশিন্দুনা অদুম লৈরে, থৱায়না থাদোক্লম্বা ঙাইরদুনা, অশিবৈ লাইরৈবাক্তা চৎননবা। ইতোমতা ‘শ্বর’ থিংদুনা শিজরগে খন্দুনা শ্বর থিংলুবনি হঞ্জিন-হঞ্জিন অদুবু ঙমদে, শ্বরসি হেক্তা হোল্লক্লিবনি। ঐগী অচৌবা ফমুং ফমজাও মথক্তগী ওন্থরগা শিবা ঙম্বরা চাংয়েং তৌরুবনি, চৈনা ফংলগতা তোক্লে শিবদি ঙমহৌদে। থৌদোক্তুদে হৌজিক্তি ঐবু মখাদা হিপহল্লে, মখোঙ ককথৎলবা কাংথোল মচা অমগী মথক্তা অপাবা ‘কুশন’ অমা থারদুনা। ঐনা কল্লিঙৈ মতমদা ইশা শোক্তনবা শাজেলশিং করিগী তৌহৌদবনো? পাক চাওখ্রবা ঐগী ইঙ্খোলসিদা ঐনা কল্লিঙৈ মতমদা ইশা শোক্তনবা শাজেলশিং তৌজরম্লবদি খল্লুবদা ওন্থোক্লা নীংঙল্লক্তে হৌজিক্তা। ইঙ্খোলসিদা হৈ-লৈ থাদুনা মখোঙ শোমদুনা, ঈশিং চাইদুনা অনৌ-অপেনশিং মতম-মতমগী চানীংবা এঞ্জাং মনা-মশিং মখল মখলশিং থাদুনা পূক্লিং নুংঙাইনা হুমাং থোকহন্দুনা শাজেলগুম ইঙ্খোল অসি পুমশং শংহল্লবদি ঐগী পাঙ্গলসু কল্লমগনিদো। ও! ঐদি কোন্না লাকপা বুধি অদুনা হৌজিক্তি নীংঙমদা-নীংঙমদনা থোঙাক লাইরেম্বীগী অশিথোংগী মশাইকোন য়ৌরক্লবা, পূন্সি চেঙজেল লোইরবা, নীংঙমখিদ্রেদা ওন্থোক্লা।

নিংথমথা লোইখ্রে, ওলাংথা চঙলক্লে, তপ্পা-তপ্পা শাগৎলকপনা হকচাংসি ফি থোংদনা লৈবা পাল্লে। থরো-মারো ওল্লদুনা ফৈজুপ মচাসি লৌথোক্লগা ফি থোংদনা হকচাংসি ঙাইহাক ঈংহল্লে। ওন্থোক্লা নুংঙাইখ্রে। উতুপকুম্না তাদুনা লৈরক্লিবনি চাদ-থক্তনা, ইনাক্তা কনানসু চঙলক্ত্রেনে, কুম লায়না নারবা, হকচাংগী ইন্দ্রি খুদিংমক মথৌ অমত্তা তৌবা ঙমদ্রবা, ডাক্তরনা খূৎ থারবনি পুন্নমক মথৌ পাঙদ্রবনি। মতম কুইনা হিংবসিদি কোক শিখিবা য়াদ্রা খঙদ্রে শোন্নরমগনি মখোয় পুন্নমক্লা। ঐসু শিনীংলিবনি, শিয়ু য়াদদুনা অশিবগুম হিংলিবনি। ইনাক্তা মরক-মরক্তা চঙলক্লিবা হায়ববু বোড়া উচি মচাসিনি, বোড়া উচিদু ফনদুম চাওরমাল্লে ইথক্তা কারকপদা খঙলে চাউ শাংলে হায়বদি, অদুবু ঙসিদি ঐ করিমত্তা লেংবা ঙমদ্রে, হকচাং পূম্বা পুংপঙ পঙথখ্রে, ঐগী হকচাংদা ঈ থাংদব্রনি, শীংলিদা ঈশিং ঙাক্তা ওইরবজাৎনি, মিহুন মচা অমত্তং পিৎ-পিৎ হুল্লি, মসিনা লেপখিবদা অদুম লোইরগদৌবনি।

উচি মচাদুনা অশিবা মী চাননবা চংলক্লে অমাংথোংদৈ অমাংবদু চারম্বদৈ অমাংথোঙদা চিক্লক্লে, মহাউ লৈমানে হঞ্জিন-হঞ্জিন চিক্লরে। অমুক মফম শিন থুংনা চিক্লি অশিবগুম তাদুনা লৈরিবা ঐঙোন্দা। উচিনদি ঐসি অহিংবনি খঙদ্রিবজাৎনি। মীচিক মীরাওখোল তাদ্রবা কনানসু শংবিদ্রবনিনা উচিদুনদি অশিবনি খন্দুনা চারিবনি, খ্বাইদগী অহাওবা চীঞ্জাকনি, হাওসু হাওরমগনি মীগী শাদোংসে। ঐনা খল্লি ঐগী অরোইবা মতম লাক্লমাল্লে, ঐ চৎলগে, ঐগী অৱাববু খঙবীরদুনা উচিনা দুদ (যমরাজগী শাইওল) ওইদুনা ঐবু লৌবা লাক্লবনি। হে তাইবঙ শেম্বা নঙগী লীলা লোইরমাল্লে, কুম লায়নানা নৈহৎপীরবা ঐগী হকচাংদগী থৱায় অসি মপোক ফবা কনা অমগী মফমদা মীতল্লুরো। থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং পোলাংসি চাহৌরসনু উচিনা মনীং তম্না। হকচাংগী থোঙ পুন্নমক হাংলবনি ননীং তম্না চাররো হে উচি নবুক থন্না চাররো, শান্তি-শান্তি, নুংশিরবা ইমুংগী মীওইশিং নখোয়বু ঐনা ৱারৌদে। নখোয়সু ঙসিদগী ৱাই শঙলগনি, কুম লায়নানা নারবা ঐহাক্লা নখোয় লোইনমক চোকথহল্লবা ঙাক্তনি, ঐগী থৌগলদা শান্তি-শান্তি ঐ চৎলে। মতম কুইনা কুম লায়নানা নারম্লগা চৎখ্রে হকচাং পোলাং থাদোক্লম্লগা। অচিকপা মরক্তা ইমুংগী মীওইশিং কপ্পরক্লে, পুল্লাং লাংলে। মী তিনখৎলক্লে, কপ্পরক্লে, অদুনা উচিদু থোক্লক্ত্রে, অমুক থোক্তুনা চারুরবদি খুদোংথীবা য়াই খন্দুনা থোক্ত্রে, হাওখ্রেদকো মীগী শাদোংসিদি, পাক পাক ফংদবা তাঙখ্রবা তাঞ্জানি ঙসিগী তাঞ্জাসে, উচিদুনা খল্লমগনি।

ৱারেং অসি ‘অশেংবা অমসুং কল্পনা’ অনীনা (ময়ুং অমসুং মফেন) ওইদুনা চাংয়েং অমগুম্না অইবনা ইদুনা চাংয়েংজবনি। কনাগুম্বা/কনাগুম্বীদা চানরুবা য়াওরবদি, চানরুবনি হায়না খনবীননবা নোল্লুকচরি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮০

১) **“মসিদা নূংশিং অসি করম্বা মখলগী শক্তি চেনবগে, মফম কদায়-কদায়দা লৈরিবনো হায়বদু কাপশিং লমশিং পন্দুনা নিঙথিনা তাক্লি।”** অসুম্না তাক্লিবা লাইরিক অসি করি লাইরিক্লো?

২) **“এরিষ্টোটলগী পোয়টিক্স”** হায়না মিংথোল্লবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৩) **“অদুঙৈগী থাবল্লে”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

৪) **“হে অথৌবা!**
**মীতৈ লৈমগী মপারি**
**নীংবা কায়রবা মীওইশিংবু**
**নৌনা থৱায় হাপ্পিরম্বা....।।”**
শৈরেং মতেক অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবসি কনানো? লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করিনো?

৫) **“কংনাইদ্রবা ফিজি”** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমসুং অইবসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।